**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 16-02-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৬-০২-২০২৬, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা লুচিংবা অনৌবা সরকার অসিনা মণিপুরগী মফম কয়াদা লম্বীশিং শেম্বা হৌরকপগী খোঙথাং অসিবু মাইকৈ কয়াদগী থাগৎপা ফোঙদোকরক্লি।

২) মীয়ামা সোসিয়েল মেদিয়াদা থেংনবা অরানবা ভিদিও অমদি তোকঙা থাজবীদনবা মণিপুর পুলিসনা আপিল তৌরি।

**অমসুং**

৩) ইন্দিয়া এ.আই. ইম্পেক্ট সম্মিৎ ২০২৬, লৈবাক ২০ হেনবদগী লাকপা লুচিংবশিং শরুক য়াদুনা ঙসিদগী নিউ দিল্লিদা হৌরগনি।

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**খেমচান্দ (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা লুচিংবা অনৌবা সরকার অসিনা মণিপুরগী মফম কয়াদা মতম শাংনা শেন্বীদনা লৈরক্লবা লন্বীশিং শেন্বা হৌরকপগী খোঙথাং অসিবু মাইকৈ কয়াদগী থাগৎপা ফোঙদোকরক্লি।

শ্রী খেমচান্দনা মনিপুরগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক হেক লৌখিবগা ইকান কান্নদনা মীয়ামা ময়াই লন্বী হায়রগা খঙনরিবা ময়াং ইম্ফাল তাবা লন্বীগী পরিং অসি কোইলাস থাদুনা শেন্বগী থবক থুনা হৌখি। মসিগী মথক্তা ৱাবগাই লমখাইদগী সুগনু চৎপগী লন্বীসু শেন্বগী থবক ঙরাংদগী হৌখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিনা হন্দক্তা জিরিবামদা চৎলুরবা মতুংদা নুমিৎ নিনি হুমি লৈরগা মফম অদুগী তোঙান তোঙানবা লন্বী খরসু শেন্বগী থবক হৌখে। নাপেৎ-পল্লিদগী থৌবাল দাম তাবা লন্বীসু অথুবা মতমদা শেন্বা হৌরগনি হায়রি। মসি, মুখ্য মন্ত্রি খেমচান্দনা রাজ্য অসিগী ফিভম ফত্তনা লৈরিবা লন্বীশিং শেন্বগী থবক্তা অখন্নবা মীৎয়েং চংগনি হায়না মহাকা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু থবক্তা ওন্থোকপা হৌরকপনি হায়না লৌবস্ য়াই।

মুখ্য মন্ত্রিগী থবক থৌরমশিং অসিগী মতাংদা অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্ননা উনবা অমদা, খোঙনাংথাবা য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেলর অমসুং মণিপুরগী শকাইরবা ইতিহাসকার প্রোফেসর নাওরেম জয়কুমারনা অসুমা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--জয়কুমার**

**পুলিস (এল)ঃ** মায়ামা অরানবা ভিদিও অমদি তোকঙা থাজবীদনবা মণিপুর পুলিসনা আপিল তৌরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-সোসিয়েল মেদিয়াদা ভিদিও নত্রগা ওদিও ক্লিপশিং থেংনবা মতমদা মদুবু চুম্বা লানব্রা হায়বদু খঙদোকবা সেন্ট্রেল কন্ট্রোল রুমগী মোবাইল নম্বর 9233522822 দা ফোন তৌরকপা য়াগনি। মসিগী মথক্তা সোসিয়েল মেদিয়াদা অরানবা অমদি

শাশিন্নবা পোষ্ট কয়া থাগৎলিবা অসিগী অচুম অরান খঙদনা মদুবু অপলোদ তৌবা হায়বসি আইনগী মখাদা চৈরাক ফংনিঙাই ওই। মরম অদুনা, সোসিয়েল মেদিয়াদা থেংনবা পোষ্টশিং চুম্মি লাননি হায়বা খঙদনা হেক্তমক অপলোদ তৌবগী থবক তৌদনবা পুলিসকী চেরোল অসিনা হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎ পুলিস স্তেসনগী মনুং চন্না লৈবা নোংপোক ইংখোলদগী ঙরাং য়ু.এন.এল.এফ(কোইরেং)গী নুপী কাদর অমা ফারে। মহাক মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবগী থবক্তা চেন্নবা মীওইনি হায়রি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা লমদেং থোংখোঙদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী কে.সি.পি(অপুনবা)গী নুপী কাদর অমসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

মনিপুর পুলিসনা ঙরাং পলেন পুলিস স্সেনগী মনুং চনবা পলেন-চান্দেল লম্বীদগী তাতা তিয়াগো তোংদুনা লাকপা মীওই অমা বিয়রগা কোন্ননা ফারে। মঙোন্দগী কেন বিয়র ২৪০ ফংলে হায়রি।

**শিভরাত্রি(এল)ঃ** লৈবাক্কী মফম কয়াদা ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং লাইনিং লাইশোনগা লোয়ননা মহা-শিবরাত্রিগী থৌরম ঙরাং পাঙথোকখি। মনিপুরদদি ঙসি মহা-শিভরাত্রিগী থৌরম পাঙথোক্কনি। ভগবান শিবগী ভক্তশিংগী খ্বাইদগী শেংলবা থৌরমনি হায়না খঙনরিবা নুমিৎ অসিদা ভক্তশিংনা চরা হেনদুনা, অখন্নবা লাইশোল থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা অমসুং অহিং চুপ্পা লাইশঙশিংদা লাই নিংদুনা লৈনৈ। ভক্ত লিশিং কয়ানা তির্থ কয়াদা ইরুপদুনা শান্তি অমসুং নুংঙাই য়াইফনবগী থৌজাল পীবীনবা খুরুমজৈ।

মহা-শিভরাত্রিগী থৌরমগা মরী লৈননা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীনরি। রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণন অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামদা মহা শিবরাতিগী য়াইফ পাউজেল পীরি। মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা গোবিনদাস কোন্থৌজমনসু মীয়ামদা মহা শিবরাতিগী য়াইফ

পাউজেল পীরি। হান্নগী শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাওজম বসন্তকুমার, এম.এল.এনা পীবা মহা-শিভরাত্রিগী পাউজেলদা হায়- মহা-শিভরাত্রিনা লাকপদা ঐখোয়গী পুকিং ৱাখলগী থৌনা হেনগৎহন্দুনা ধর্মগী ফজরবা ৱাখল্লোনশিং হেন্না ফাউহন্দুনা ঐখোয় পুম্নমকপু অচুম্বা অমদি শান্তিগী লন্বীদা পুবীদুনা অমত্তা ওইনা নুঙাই য়াইফনবা হিংবা ঙমহল্লসনু।

**পরিক্ষা (এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস তুয়েল্বকী পরিক্ষা হয়েংদগী হৌরগনি। পরিক্ষা অসি মথং থাগী ২০ ফাওবা চত্থগনি। পরিক্ষা অসিনা লাকপদা হান্নগী শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাওজম বসন্তকুমার এম.এল.এনা মহৈরোইশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। ৱারোল অমদা শ্রী বসন্তকুমারনা হায়-নখোয়না লাইরিক লাইসু থৱাই য়াওনা পাখিবা অদুগী মহৈ ওইনা পরিক্ষা অসিদা নিংথিনা ইবা ঙম্বা ওরসনু। পুকিং লৈতানা, নশানা নশাবু থাজবগা লোয়ননা পরিক্ষা অসিদা নখোয়গী হৈথোই শিংথোইবশিং নিংথিনা উৎপা ঙমদুনা হেন্না ফবা অমদি তুংগী মাই পাকপা পুন্সি অমগী মাইকৈদা চংশিনবা ঙম্বা ওইরসনু হায়রি।

বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস টেনগী পরিক্ষানা থা অসিগী ২৩ দগী হৌরগা মার্চ ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

**হৈরোক(এল)ঃ** ইকো নেটৱার্ক মণিপুর অমসুং হৈরোক পার্ট ৱানদা লৈবা পলেম পম্বৌ ভিলেজ লেভেল ফেদরেসননা পুন্না খূৎশমদুনা হৈরোক-ৱাংজিং তুরেল লূ নান্না থমবা শেংদোকপগী থবক ঙরাংদগী হৌখ্রে। থৌরম অদুগী মতাংদা ইকো নেটৱার্ক মণিপুরগী প্রসিদেন্ট শিন্থা ঙম্বা লৈশ্রমনা হায়-তুরেল অসিগী নাক-য়েত্তা খুন্দারিবা মীয়ামা তুরেল অসিদা মখা তানা অমোৎ অকাইশিং লংথবীগনু। অমোৎ অকাইশিং খোম্বা লাক্লিবা কাংবুশিংদা মফম চানা শিন্নবীদুনা অমোৎ-অকাইশিং নিংথিনা লোইশিনবীয়ু হায়নসু মহাকা

আপিল তৌখি।

**সম্মিৎ ঃ** ইন্দিয়া এ.আই. ইম্পেক্ট সম্মিৎ ২০২৬ ঙসিদগী নিউ দিল্লিদা হৌরগনি। নুমিৎ মঙানি চথুগদবা মীফম অসি গ্লোবেল সাউথতা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা মালেমগী এ.আই মীফমনি। মীফম অসিদা মালেমগী লৈবাক ২০ দগী লাকপা লুচিংবশিংনা শরুক য়াগনি। মখোয়গী মনুংদা ফ্রান্সকী রাষ্ট্রপতি ইম্মানুএল মেক্রোন, ব্রাজিলগী রাষ্ট্রপতি লুইস ইনাসিও লুলা দা সিলভা, স্পেন, স্বিটজরলেন্দ অমসুং শ্রীলঙ্কাগী রাষ্ট্রপশিং, নিদরলেন্দস, ভুতান অমসুং মাওরিসিয়সকী প্রধান মন্ত্রিশিং, য়ু.এ.ইগী ক্রাউন প্রিন্স, সিচেলসকী উপ-রাষ্ট্রপতিনচিংবা য়াওরবা য়াই।

মীফম অসিদা লৈবাক ৪৫ গী মন্ত্রি কাংলুপশিংগী মীহুৎশিং, য়ু.এন. সেক্রেতরি জেনেরেল অমদি মালেম থাক্কী তোঙান তোঙানবা লুপশিংগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াগনি। ইন্দিয়া এ.আই. ইম্পেক্ট সম্মিৎ ২০২৬ অসি মরুওইবা য়ুন্বী অহুমদা য়ুম্ফম ওইরগা পাঙথোক্কদবনি। মখোয়শিং অদুদি পিপল, প্লানেট অমসুং প্রোগ্রেস হায়বসিনি। মীফম অসিদা শরুক য়ানবগীদমক লৈবাক ১০০ হেন্না বার্তন তৌখি। হৌজিক ফাওবদা ওনলাইনগী খুথাংদা মীওই লাখ অনি হেন্না রেজিষ্টর তৌরক্লে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

থুগাইবগী মহুৎতা পুনশিনবনা হেন্না থাজে, চিফ মিনিষ্টর খেমচান্দনা কাংলুপ খুদিংমক পুনশিন্নবা হোৎনরি, কাংলুপ অমত্তদা ফত্তবা ৱাখল খনদে হায়না দিপ্যুতি চিফ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা ফোঙদোকখিবা ৱাফমা-পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি অমদি সনালৈবাক পাউচেদনা

অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

ষ্টেটকী থাক্তা লুইঙাইনিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে, পি.এমগী থাক্তা ৱারি শাদুনা নাগাশিংগী ৱারোইশিন পুরকপা চংই হায়না নাগালেন্দগী চিফ মিনিষ্টর নৈফিয়ু রিওনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমা- সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- পিপলস ক্রোনিকলসকী অহানবা লামাইদা ফোঙবা থেংনরি।

আর.এস.এসকী ডা.কৃষ্ণগোপালগী মণিপুর খোঙচৎ মণিপুরবু দ্রগ এদিক্সনগী হব ওইহনগুমসি হায়বা পাউনা- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মহেরোইশিংনা খুন্নাই অসিগী যুম্বী ওইরিবনিনা মখোয়বু মরুওইনা লৌগদবনি হায়না চিফ মিনিষ্টর যুমাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমা- হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

এময়ু নাকলগী লন্থীবু ফত্ত-হাডদি লংথোকফম ওন্থোক্লে হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হৌজিক্তি অনৌবা লৈঙাকসু শেল্লবনিনা ইরাংসু খরা নেমথরক্লবনিনা রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌহল্লক্লিবা ঐখোয়বু অথুবা মতমদা ইশাগী যুমদা হঞ্জিলহনবীরো হায়বা ৱাফম অমা- হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- লুইঙাইনি ২০২৬ নাগালেন্দগী চিফ

মিনিষ্টর নৈফিউ রিওনা শরুক য়াদুনা নাৎকী ওইবা জগোয় ইশৈগী থৌরম কয়াগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-গানফিউ মেল অমদি তামেংলোং তাইমসতসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নুমিৎ মঙানি চুপা চথুগদবা গ্লোবেল আর্টিফিয়েল ইন্তল্লিজেন্সগী মীফম দেল্লিদা ঙসিদগী হৌরগনি হায়বা পাউ অমসু- তামেংলোং তাইমসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙবা থেংনরি।

**--পাউ লোইজরে--**